www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,497 | 22 Carat/g : ₹ 14,220 | 1 Kg Silver : ₹ 2,34,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,550 | WEATHER: Mostly cloudy | Temperature 31/23°C | Sunrise: 04:44 AM Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 246 | IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 14, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, থৱানগী ২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50




## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী শেল কয়া লৈ হায়বদুদি খঙই, মতম কয়াম লৈরিগে হায়বদুদি খঙদে, অমুক্তং খন্থৌ

# মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে

## থৱায় মাঙগনি খঙলবসু অচুম্বগীদমক লেপখিবা অথৌবশিংঅদুগী থৌনা মীয়াম্না নীংশিংসিঃ গভর্ণর

**পুৱারিবু ঙাক শেন্দুনা পূন্নমক্না অমত্তা ওইনা লৈবাক ঙাকমিন্নসিঃখেমচান্দ**



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মণিপুরগী গভর্ণর য়াওনা মকোক থোংবশিংনা লৈ–শু কত্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎখ্রে।

থৱায় থারগনি খঙলবা ফাওবা চঙজখিদবা অথৌবশিংগী থৌনা লিংজেল নীংশিংদুনা ঙসিগী মীরোলনা অচুম্বগীদমক লেপ্পনা অশেংবা থৌনা লৈবা কৌই হায়বদু অমত্তা ওইনা খঙমিন্নসি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওগষ্ট ১৩ পেট্রিওটস দে নুমিত্তা মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুন্নবা উৎখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা মোইরাং খোমদা লৈবা হিচম য়াইচম পাৎতা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ–লৈ কৎখি। তুংদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ্গাল জেনরেলগী খুভমদসু হৈ–লৈ কৎখি। নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা কংলাগী উত্রাদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদসু

...মখা লমায় ৫দা...

## সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ময়াংখাংগী জেনরেল থাঙ্গাল ইকো পার্কতসু পেট্রিওটস দে পাঙথোকখি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা থৱায় কৎখ্রবা থাঙ্গাল জেনরেলগী খুভম ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্কী ময়াংখাংদা লৈবা জেনরেল থাঙ্গাল ইকোলোজিকেল পার্কতসু থাঙ্গাল ফুরুপকী মীওইশিংনা পেট্রিওটস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও)গী প্রসিদেন্ট ক্যুবা পিটর, থাঙ্গাল য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আর কে ফিলিপ অমসুং পাউমনাই নাগা য়ুনিয়ন (পি এন য়ু)গী প্রসিদেন্ট আর বি পনিনা থৌরমগী চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং



গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথৌবা থাঙ্গাল জেনরেলবু ইকায় খুন্নবা উৎপা ওইনা তুমিন্না লেপ্পুনা প্রেয়র তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ক্যুবা পিতরনা হায়, পেট্রিওটস দে নুমিৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা ...মখা লমায় ৫দা...

## য়ু ফেক্টরি থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টি খজাং ভিলেজ অমদি সিংহাট পি এসনা কোনবা মফমশিংদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সি আর পি এফকী অপুনবা টিম য়াওনা লোকেল ব্লুমেন সি এস ওশিংগা খুৎশন্নদুনা মফম অদুগী য়ু শুংফম ফেক্টরি থুগায়খ্রে।

...মখা লমায় ৫দা...

## সোপ কেস ৩৭ ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোঙনেম থানা ভিলেজদা মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাগালেন্দগী লোঙ্গা ভিলেজদা লৈবনি হায়বা ইমলিয়াকুম লোনকুমর (৪৬) কৌবা মীওই অমদগী হেরোইন পাউদরনি চিংনবা সোপ কেস ৩৭ লোম ফংবা ঙমখ্রে। মহাক্না তোংলকপা বোলোরেসু ফাগৎখ্রে হায়রি।

## এৱার্দ ফঙগদবা পুলিস ওফিসরশিংগী মিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা মথৌদা পূক্নিং চঙবা পুলিস ওফিসর অমসুং মণিপুর পুলিসকী পার্সনেলশিংদা মণিপুর চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি অমসুং মণিপুর চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর আউটষ্টেন্দিং দিভোসন টু দ্যুটি হায়বা মনাশিংসু গভর্ণরনা লাউথোকখ্রে।

গলেন্টরি এৱার্দ ফংগদবশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী দি এস পি (ওপস) খুমন্থেম ধিরাজ করন, এম পি এস, ...মখা লমায় ৫দা...

## আর্টিষ্ট ৩দা সঙ্গিত নাটক একাদেমি এৱার্দ পীরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট ৩ য়াওনা লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা আর্টিষ্ট ১১৫দা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা সঙ্গিত নাটক একাদেমি এৱার্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়া লান্থোকখ্রে।

এৱার্দ অসি ২০২৪ অমদি ২০২৫ চহী অনীগী ওইনা লান্থোকখিবনি। একাদেমি এৱার্দ ২০২৪গী ওইনা ফিল্ড ওফ এক্টিভিটি দান্সতা রাজকুমারী থম্বালসনা, ফোকতা লৌরেম্বম বেদবতি অমদি ২০২৫গী একাদেমি এৱার্দতনা ম্যুজিক্কী ওইনা ইরেংবম নলিনীদা এৱার্দ অসি খুৎশিন্নরকখিবনি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ইন্দিয়াগী আর্ট ফোর্মশিংবু অৱাংবা থাক্তা শীংথাখি হায়রি।

## য়ুহাদা ২২৪ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা কলম্বিয়াদা নিংথৌকাবদা রিক্টর স্কেল ৭.৪ য়ৌনা হাখিবা য়ুহাদা শিখিবা মীগী মশীং পুন্না ২২৪ শুখ্রে। অদুগা অশোকপগী মশীংনা ১,২০০ হেনখ্রে। হৌজিকসু মীওই লীশিং ৩০০০ লোম থিবা খঙদনা লৈরি।

## মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ ১৩৫শুবা অথৌবশিংগী নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা ওল মণিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিল), নুপী সমাজ অমদি তম্মী চীংমীনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী লেপ্তনা চত্থরকপা...মখা লমায় ৫দা...

## কন্সটিট্যুসন্না পীবা কাঙলোন মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা কনাদসু কোক নোনগদবা নত্তে ঃ ও ইবোবী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা চৎন–কাঙলোনশিং মণিপুরদা মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা কনাদসু কোক নোন্দুনা হায়জগদবা নত্তে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ১৩৫শুবা পেট্রিওটস দেগী থৌরমদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ও ইবোবীনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা চৎন–কাঙলোনশিং মণিপুরদা মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা



করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কনাদসু কোক নোন্দুনা চঙজবগী মথৌ তাদে। মনিং তম্বা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা মণিপুর ঙসিদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা চৎন–কাঙলোন কয়া মপুং ফানা চৎনরিব্রা অমদি মনিং তল্লিব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি হায়খি।

অসিগুম্বা তানফম অসি লাকপনা য়েক্লবদা কোক নোনখিদবা ইপা ইপুশিংনা ...মখা লমায় ৫দা...

## পেট্রিওটস দে খক্তদা লৈবাক নুংশিবা লুচিংবশিং লৈবগী কান্নদে ঃ জয়ানন্দ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ পেট্রিওটস দে লাকপদা মরৈবাক নুংশিবা শাবা মরৈবাক নীংশিংলকপা লুচিংবশিংদি লৈরুবগী কান্নবা লৈতে। মণিপুর কন্নিংবা অমসুং মণিপুর থুগায়বা পান্থবশিংগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিদা পোলিটিকেলগী য়াওল্লোই থোক্লক্তুনা মণিপুর কনবা তঙাইফদে হায়না সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট (এস ই দি) ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট লাইতোঞ্জম ...মখা লমায় ৫দা...

## ঐখোয়গী রাইট মুনখিদনবা এন আর সি পাঙথোক্তবা য়ারোইঃ নেকেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংগী রাইটশিং মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লৌখ্রগা ঐখোয়গী শক্তমদি তপ্পা–তপ্পা কায়খ্রগনি। মরম অদুনা এন আর সি হান্না পাঙথোক্লবা মতুং সেন্সস পাঙথোক্পা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি হায়না এম পি সি সিগী মেম্বর ওইরিবা সেরাম নেকেন্না ফোঙদোকখ্রে।

থোংজু ...মখা লমায় ৫দা...

## এন আর সি অপদেট তৌগদবনি, নৎত্রবদি ঐখোয় পুন্নমক মুৎখিগনি ঃ সুসিন্দ্রো



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌদুনা চৎনহনগদবনি নৎত্রবদি ঐখোয় পুন্নমক মুৎখিগনি। এন আর সি অপদেট তৌনবগী ৱাফম মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি খুরাই মন্দলনা শীন্দুনা খুরাই থোঙাম লৈকাইদা লৈবা পোপুলর হায় স্কুলগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

অথৌবা নঙগী থৌনা লিংজেলদু পীবিয়ুকো ...!



উম..., পীগেবু অফবদদি শীজিন্নরক্কদৌ মানদেনে...!

## হোকর এসোসিএসন্না টৌকিওবু থাগৎলক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর হোকর এসোসিএসনন্না খোইস্নাম টৌকিওবু ইকায়খুন্নবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টগী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টদা এসিষ্টেন্ট কম দেটা ইন্ট্রি ওপরেটর, জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দতা থবক তৌরিবা খোইস্নাম টৌকিও মীতৈনা মহাক্কি অপোকপা হোকরগী থবক তৌরম্বা লৈখিদ্রবা খোইস্নাম ...মখা লমায় ৫দা...

## সনায়াইমাঃইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনেল সোভরেন্টি মণিপুরদা লৈরিব্রা?

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ নহাশিংনা ইরৈবাক্কীদমক মাঙথানা চোংথোক্তুনা লেপ্পা চঙই হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মীয়ামগী লুচিং পুরেল নিংথেমচা সনায়াইমা (মেঘেন)না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনেল সোভরেন্টি মণিপুরদা লৈরিব্রা হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওন পেট্রিওটস দে ওবজার্ভেন্সনা শীন্দুনা য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা পেট্রিওটস দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথেমচা সনায়াইমনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়, লৈবাক কায়হল্লোই



হায়বগী ৱাখল্লোল লৈঙাকপশিংদসু শোয়দনা লৈরমগনি। থবক পায়খৎলি হায়বা খক্তনদি য়ারোই। হোৎনরিবা থবক অদু কয়াম মহৈ য়াল্লবগে হায়বসি ঐখোয় মুন্না য়েংবা চঙই। লৈঙাকপশিংদা মীয়ান্না থল্লিবা থাজবা অদু মাঙহন্দনবা হোৎনবনা অচুম্বা ওইগনি খল্লি। মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অচৌবা ...মখা লমায় ৫দা...

## সনালৈবাক পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়ামগী খোল্লাউ ঈশ্বরগী খোল্লাউ

**ৱাইখোম শ্যাম, সোসল ৱার্কর**



লমদম অসিগী মপি–মপা ওইবশিংনা নুপা থোক্লা থবক তৌবা অমদি ফংলিবা পৱার ফজনা পাঙথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মীচম মীয়াম পূন্নমক খম থেংনা ৱারে। সেন্টরনা হায়রকপা ঙাইবগী মহুৎতা চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর অমা ওইবগী চপচাবা থৌদাং লৌদুনা নুপা থোক্লা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লমদম অসিগী মীওই খূদিংমক্তা লৈ। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অদুমক লৈরবদি মীখা পোন্দুনা হিংবা হায়বসিমদি শোয়দ্রে। মীচম মীয়াম ঐখোয়নসু ৱাখল তাবা অমা য়াম্না মথৌ তাই। মীখল মতমদা অফবা কেন্দিদেট খলহৌবা চুমগনি। মীখলদা শেল তিংহন্দনা অমদি মীচম মীয়াম্নসু কেন্দিদেটশিংদগী শেল লৌদনা অমুক্তং মণিপুরগী তশেংনা থবক তৌজনিংবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীরগা য়েংসি। ঠিকা তৌরগা অমদি অতৈ অতোপ্পা বিজিনেস কয়া তৌরগা শেল পায়রে হায়দুনা ভোট লেপ্পরক্লিবা অসিসু য়াম্না অশোয়বা অমনি।

**কোন্সম বিহারি, সোসল থিঙ্কর**



ঙসিগী মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি ঐখোয় তরাইনা লৌবা চুম্লোই। হোৎনবদি ময়াম অমনা য়াম্না কন্না মণিপুরগী ইস্যু অসি লোইশিন্নবা হোৎনরি। অদুবু হোৎনরিবা ময়াম অসিদা লৈবাক্কি হান্না মাঙ থারগা থবক তৌহন্নিংই। চহী অহুম হেল্লবা ফাওবদা আই দি পিশিং মশা–মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনবা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা পূন্নমক্কি অশোনবা অমদি থাজনদবগী ফীভম অদুদা অদুমক লৈরি হায়না তাকপনি। লমদম অসিদা ঈং–তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা হায়বসি নাকল অনীমক ৱাখল তামিন্নবা অমা য়াম্না মথৌ তাই। নাকল নাম্মতনা মণিপুরদা ঈং–তপ্পা পুরকপা পাম্মি হায়না লাউবা খক্তনা য়ারোই। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্না পূন্না হোৎনমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই। লোয়ননা নুংশি চান্ননা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবগীদমক চীং–তম হায়বগী ৱাখল্লোল লৈহন্দনা মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা ফুরুপ খূদিংমক্না খুন্দা লৈতাহনবা য়ানবগী থৌরাং থৌশিল পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি করন্না কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা অদোমগী ৱাখল্লোল ৱাট্‌সএপ নম্বর 8830812368 অমদি ই–মেল sanaleibakdaily2008@gmail.com দা থাবীরকউ।

## হেক্তা হায়জিনবা

### মফোন থোক্লবা মৈতৈ চনু

নুংশিদরা য়েংউ মৈতৈ চনু
কপনিংদরা উরগা তোয়না
খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাক্তুনা
কোক্তা কোকয়েৎ য়েৎতুনা
ঙাইরি লূপশিংগী য়াথং
অহিং মিংশেল খাঙদুনা
নুংশিদরা য়েংউ মৈতৈ চনু
কপনিংদরা উরগা তোয়না
লূপ অমনা শীজিন্নে
ৱাকৎ মীফম ফমহন্নবা
লূপ অমনা অমুক শীজিন্নে
মৈরা রেল্লি চৎনবা
লুপ অমনা অমুক কৌথোকই
হ্যমেন চেন শেন্নবা
নুংশিদরা য়েংউ মৈতৈ চনু
কপনিংদরা উরগা তোয়না
মফোন থোক্লে মৈতৈ চনু
কোয়চিং কোয়চিং চিংনবদা
নুংশিদরা য়েংউ মৈতৈ চনু।।

## মীখা পোন্দনা হিংবা পাম্লম্মী হায়বা ইপা ইপুশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লম্মী ঃ সঞ্জয়

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ লমদম অসি কনাগীসু মখা পোন্দনা হিংবা পাম্লম্মী হায়বসি লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদুনা ময়েক শেংনা উৎলম্লবনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকোনা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা ঙসি চৈরাওচীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা পাঙথোকখিবা ১৩৫শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা সোরোখাইবম সঞ্জয়না মখা তানা হায়, ইরমদম মণিপুর



অসি নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকখিবনি। লোয়লম শন্দাকপা পাম্বা বৃটিশনা মালেমগী অপিকপা লৈবাকশিং মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনরকপদা ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুর ৱার অসি থোকখিবনি। মতম অদুদা থোকখিবা এঙ্গলো ...মখা লমায় ৫দা...

## খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ জে এফ দি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা মীতোপ খন্দাক্লবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা চেরোল থাদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌদা থোক্লকপা অফ ফত্তগী তেকচাক পুন্বা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না জেএফদিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করামনা ফোঙদোকখ্রে।

ইথম ভিল্লেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, তুমুখোং ভিল্লেজ ওথোরিটি, মোইরাং কলেজ ...মখা লমায় ৫দা...

## চুরাচান্দপুরদগী খূৎলায় ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ চুরাচান্দপুরগী খেঙজাং ভিলেজদা লৈবা য়ু কে এন এগী মেম্বর অমদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফাগৎপা ঙমখ্রে।

য়ু কে এন এগী মেম্বরদগী ফংবা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অদুদি মেগজিন য়াওনা এ কে রাইফল ১, এম এম ৭.৬২গী মরু ১২, মেগজিন য়াওনা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, বাউফেং রেদিও সেট ১, রোয়েল ইনফিল্ড বাইক ১ ফংবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী খোইরৌ ভিলেজ অমদি জৌপিদগীসু ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# লোক সভাদা চাদা ১৯ অমসুং রাজ্য সভাদা চাদা ৩৯গী ওইবা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং খক্তমক চত্থদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোক্তুনা থমখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): হৌখিবা জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ওপোজিসন অমদি রুলিং পার্টিগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা চরাংনবা থোক্তুনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লবা মতুং ঙসিসু মখা তানা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং অমত্তা মপুং ফানা চত্থবা ঙমদনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মতম কক্তনা য়ৈথোক্তুনা থমখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা কোংগ্রেস জনতা পার্টিনা শিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াবা মহৈরোই খোঙজংলোইশিংদা পুলিসনা চত্থখিবা কাহেনবা থৌওং, নীট পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক অমদি অযোধ্যাগী রাম টেম্পলদা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না কৎলকখিবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক অদুগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ তৌদুনা পার্লিয়ামেন্টতা চত্থখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন ঙাইহাক লৈতনা এদজোর্ন তৌদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী প্রোসিদিং নোংমদা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লোইশিন্দুনা লাকখিবনি।

জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসি চরাংনবা মরক্তা চত্থখিবা সেসন ওইবনা মথৌতাবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন পাঙথোকপগী কান্নবা ফংবা ঙমদনা লাকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবা জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিদা লোক সভাদা চাদা ১৯, রাজ্য সভাদা চাদা ৩৯ খক্তমক পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং পাঙথোকপা ঙমখি।

পি আর এস লেজিসলেটিব রিছার্সকী মায়কৈদগী থোকপা দাটাগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন কয়াসু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদবদগী সেসন পাঙথোকপগী কান্নবা ইফং ফংখিদবগী রেকোর্দ কয়াসু য়াওরি।

লৈবাক অসিদা হৌখিবা জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা নোংজু মীফম মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্তুনা থমখিবগী থৌদোক অসিনা অহানবা নৎতে।

হৌখিবা চহী ২০১০দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এগী লৈঙাক লৈরিঙৈ পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথিম মীফমসু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লোইশিনখিবগী থৌদোক থোকখি। চহী অদুদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম পীফমদা লোক সভাগী ওইনা চাদা ৫ অমদি রাজ্য সভাগী ওইনা চাদা ২ খক্তমক পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং পাঙথোকখি।

হৌখিবা চহী ২০১৩দা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমসু লৈবাক অসিদা থোকপা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংনা মরম ওইরগা মতমদুগী রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা চরাংনবা থোক্তুনা লোক সভা চাদা ৬ অমদি রাজ্য সভাগী ওইনা চাদা ১৯ খক্তমক প্রোসিদিং চত্থবা ঙমখি।

হৌখিবা চহী ২০১৪দগী হৌদুনা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ২০১৫দা পাঙথোকপা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা লোক সভাগী ওইনা চাদা ৪৬ অমদি রাজ্য সভাগী ওইনা চাদা ৯ খক্তমক প্রোসিদিং চত্থদুনা লোইশিনখি। অসিদা নৎতনা লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি ২৫ নুমিৎ ৫নিগী ওইনা সস্পেন্দ তৌদুনা থমখিবগী থৌদোকসু লৈরি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না চত্থবা দিমোনিটাইজেসন অদুনা মরম ওইরগা ২০১৬দা পাঙথোকপা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মফমদসু রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা চরাংনবা থোক্তুনা লোক সভাগী ওইনা চাদা ১৫ অমদি রাজ্য সভাগী ওইনা চাদা ১৮ খক্তমক প্রোসিদিং পাঙথোক্তুনা লোইশিনখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

হৌখিবা চহী ২০১২তা মতমদুগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর পৱন কুমার বনসালনা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং মিনিট অমদা ২.৫ লাক্ষ চংই হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুং ইন্না হন্দক জুলাই ২০দগী হৌদুনা চত্থরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসি মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিদা কান্নবা পীবা ঙমখিদ্রবসু য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফমদি মাঙহনখ্রে।

অমরোমদা রাজ্য সাভগী হান্নগী চিয়ারমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা হৌখিবা চহী ২০২১দা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা য়াম্না চাওনা মুক্নদুনা পার্লিয়ামেন্টতা চরাংনবা থোকহন্দুনা মথৌতাবা পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিং মপুং ফানা চত্থবা ঙমহন্দবা অসি পার্লিয়ামেন্টকী ওইনা মিং চৎ থিনিংঙাই অমনি।

নাকল অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা ইসুশিংগী মতাংদা য়ান্নদবা কয়া লৈরবসু হায়রিবা ইসুশিং অদু পার্লিয়ামেন্টকী ফ্লোরদা পুথোক্তুনা দিবেট এন্দ দিস্কসন পাঙথোকপনা লৌবাক অসিগী লৈরিবা দেমোক্রেসিগী শক্তম অমুক্কা হেন্না ফজহনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।



# ঝরখন্দগী খোঙজং অমসুং রাম টেম্পলগী ৱাথোক্কী মতাংদা এন দি এ অমদি ইন্দিয়া ব্লোককী মরক্তা চিন্দা-পাউদানখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): থবক থিরিবা নহারোলশিংনা ঝরখন্দ লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অমদি মীয়াম্না কৎলকখিবা য়াল্লবা শেনফম কয়া মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা থোক্লিবা রাম টেম্পলগী ৱাথোকনা মরম ওইরগা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ অমদি কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোককী লৈরিবা এম পিশিং পার্লিয়ামেন্টকী মকর দ্বারদা ঙসি অমগা অমগগী মরক্তা মরাল শীনদুনা অৱাই অখুম চত্থনরকপদগী তঙাইফদনা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা ময়াইদা লেপ্তুনা এন দি এ অমদি ইন্দিয়া ব্লোকনা চত্থনখিবা খোঙজং থিংনবা হোৎনখ্রে।

মহৈরোইশিংনা চংশিল্লিবা খোঙজংগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা চত্থগদবা দিবেট এন্দ দিস্কসনদগী রাহুল গান্ধীনা নাথৈদুনা লৈরে হায়না এন দি এগী এম পিশিংনা মরাল শীদুনা খোঙজং চংশিনখি। অদুগা হৌখিবা জুলাই ২০দা নীট পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্কী মতাংদা মহৈরোইশিংনা চত্থবা খোঙজংদা শরুক য়াবা খোঙজং লোইশিংদা পুলিসনা চত্থখিবা কাহেনবা থৌওং অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদুনা রিজাইন তৌগদবনি হায়বা খোল্লাও লাউদুনা ইন্দিয়া ব্লোককী এম পিশিংনা অকনবা মওংদা খোঙজং চংশিন্নখি।

অসিদা নৎতনা ইন্দিয়া ব্লোককী মায়কৈদগী অযোধ্যাদা লৈবা রাম টেম্পলদা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না কৎলকখিবা য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়হকদগী লৈবাক মীয়ামদা চপ চাবা পাউখুম পীগদবনি হায়বা খোল্লাও লাউদুনা খোঙজং চংশিনখি।

এন দি এ অমদি ইন্দিয়া ব্লোককী লৈরিবা মশিং য়াল্লবা এম পিশিংনা তোঙান তোঙান লেপ্তুনা খোঙজং চত্থনখিবা অদু মখা শাংথদুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্তনবা পার্লিয়ামেন্ট ঙাক শেনবগী মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংনা নাকল অনিগী মরক্তা সম্বল ওইনা লেপ্তুনা লৈবগী মমি কয়াসু উবা ফংখি হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা রুলিং অমদি ওপোজিসনশিংগী মরক্তা মরাল শীনদুনা চরাংনবা থোকপদগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখি। অসিদা নৎতনা পার্লিয়ামেন্টতা দিবেট এন্দ দিস্কসন অমত্তা চত্থবা তৌদনা বিল কয়া পাস তৌখিবগী থৌদোক কয়াসু থোকখিবা লৈখ্রে।

# ২০২৫দা রেদ ফোর্টতা বোম ব্লাষ্ট এটেক চত্থরকখিবা অদু অল-কাইদানা ওইরম্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০২৫কী নবেম্বর থাদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা রেদ ফোর্টতা চত্থরকখিবা বোম ব্লাষ্ট এটেক অদু টেরোরিষ্ট গ্রুপ অল-কাইদানা চত্থবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসনগী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না রেদ ফোর্টতা বোম ব্লাষ্ট এটেক চত্থদুনা মীওই কয়া লৈখিদবা অমদি অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদু অল-কাইদানা চত্থবা খুজিল থৌরাংগী মনুং চন্না টেরোরিষ্ট গ্রুপ অসিগা মরী লৈনবা রিজনেল আউটফ্লিটশিংনা চত্থবা এটেক অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, টেরোরিষ্ট গ্রুপ অল-কাইদাগী মায়কৈদগী মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা রিজনেল টেরোরিষ্ট আউটফ্লিটশিংগা খূৎশন্নদুনা থবক তৌবগী চাং লেপ্তনা হেনগৎলক্লি।

অল-কাইদানা পাক শন্না ওপরেট তৌদুনা লাকখিবগী থৌওং অদুদগী নাথৈদুনা তোঙান তোঙানবা রিজনশিংদা লোজিষ্টিক অমদি ফাইনান্সিয়েল নেটৱার্ক মচা-মচা শেমদুনা টেরোরিষ্ট এক্টিভিটি কয়া লেপ্তনা চত্থদুনা লৈরি। হৌখিবা চহী ২০২৫কী নবেম্বর থাদা রেদ ফোর্টতা চত্থরকখিবা বোম এটেক অদু অল-কাইদানা চত্থখিবা এটেক অমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ২০২৫তা রেদ ফোর্টতা থোকখিবা বোম এটেক অদুদা পূন্না মীওই ১৫ লৈখিদে। অদুগা মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবনি। অমরোমদা ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা চহী থেঙ্খাং কয়ারক্তা টেরোরিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকখিবগী থৌদোক কয়াসু থোকখিবা লৈখ্রবনি।

## অকালি দলগী চীফতা এটেক তৌরকখ্রে

ননদেট, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): পঞ্জাবকী দিপুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বতা নৎতনা অকালি দলগী চীফসু ওইরিবা সুকবিরশিং বাদলদা এটেক চত্থরকখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী ননদেটতা লৈবা গুরুদ্বারা মনাক্তা সুকবিরশিং বাদলগী মথক্তা মশক খঙদবা মীওইশিংনা এটেক চত্থরকখিবনি।

অমরোমদা এটেক চত্থরকপগী থৌদোক থোকত্রিঙৈ সুকবিরশিং বাদল অমদি মহাক্কী লোয়নবী হরসিমরত কোর বাদলগা লোয়ননা ননদেটতা লৈবা তাখৎ সিরি হজুর সাহিবতসু চৎলমখি হায়রি।

## 'পৈশা নৎতনা মীখলদা মায় পাক্লবা বি জে পিগী পান্থৈ অমত্তা লৈতে'

লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): লাক্কদৌরিবা ২০২৭দা উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা মায় পাক্ল বগীদমক পৈশাদগী হেন্না অতোপ্পা পান্থৈ অমত্তা লৈতে হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী চীফ অখিলেশ যাদবনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা য়ু পিদা লৈবা নুপী ওইবীশিংদা বি জে পিগী মায়কৈদগী লুপা ২০,০০০গী ফাইনান্সিয়েল এসিসটেন্ট পীরবা য়াই হায়না মেদিয়া রিপোর্ট তৌনরকখ্রবা মতুং ৱাফম অসি অখিলেজ যাদবনা এক্স একাউন্দগী খূৎথাংদা ফোঙদোরকখিবনি।

# মেঘালয়া: ঐচ আই ভি কেস ৫৭৪ নৌনা থেংনখ্রে



সিলোং, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি): চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী হৌখিবা অহানবা ক্বার্টর অসিদা মীরোনবী নুপী ১৬ য়াওনা মেঘলয়াদা ঐচ আই ভি ইনফেক্সনগী কেস ৫৭৪ নৌনা থেংনখ্রে।

মেঘলয়া এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (এন এ সি এস)গী মায়কৈদগী থোকপা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী হৌখিবা অহানবা ক্বার্টর অসিদা মেঘলয়াদা নৌনা থেংনরিবা ঐচ আই ভি কেস ৫৭৪ অসিগী চাদা ৫২দি কেজুয়েল সেক্স কন্ট্রেক্টতগী থোকপনি। অদুগা চাদা ৩২না মতৈ-মনাও নৎত্রগা চাং নাইনা হকতিন্নবগী মরী থন্বা, চাদা ৯না দ্রগ ইঞ্জেক্টিং তৌবা, চাদা ৪না কম্মর্সিয়েল সেক্স এক্সপোজর অমদি চাদা ২.৫না মমাদগী মচাদা ঐচ আই ভি ট্রান্সমিসন তৌবদগী ঐচ আই ভি ইনফেক্সন তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মিজোরামদা ষ্টেট ৱাইদ ইন্টেন্সিফাইদ, ইনফোর্মেসন, ইজুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরমদা মেক্সকী মায়কৈদগী মেঘলয়াদা ঐচ আই ভি ইনফেক্সন নৌনা থেংনখিবা অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা রিলিজ তৌদুনা ষ্টেট অসিদা ঐচ আই ভি ইনফেক্সনদগী থিংনবা লৈবাক মীয়ামদা এৱ্যারনেস পীবা মথৌতাই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।






# মিজোরাম: মেথামফেটামাইন ট্রাফিক্কিং কেসকা মরী লৈননা এন আই এনা থিবা হুন্সগী থবক চত্থখ্রে



আইজোল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০২৪গী নবেম্বর থাদা ম্যান্মারদগী লাকপা হি অমদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা বে ওফ বেঙ্গলগী বেরেন আইসলেন্দ মনাক্তগী চাওরাক্লা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম ওইগদবা সিন্থেটিক দ্রগ কেজি ৬ ফাখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা এন আই এনা চত্থরকখিবা ইন্টরনেসনেল মেথামফেটামাইন ট্রাফিক্কিং কেসকা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ঙসি মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফম ৫দা থিবা হুন্সগী থবক চত্থখ্রে।

এন আই এনা থিবা হুন্সগী থবক চত্থবা অদুদা মিজোরামগী চম্ফাই অমদি আইজোলদগী লুপা লাক্ষ ২২.৩৮ অমদি ২০.৭৩ কেস ওইনা রিকোভর তৌবা ঙস্বগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা দিজিটেল দিভাইস কয়াসু রিকোভর তৌখ্রে।

এন আই এগী মায়কৈদগী রিকোভর তৌবা ঙস্লবা দিজিটেল দিভাইজশিং অদু ইন্টরনেসনেল মেথামফেটামাইন ট্রাফিক্কিং নেটৱার্কতা শিজিন্নবা ওগনি হায়বা থাজবা থমদুনা ফোরেন্সিক একজামিনেসন তৌনবগীদমক থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা এন আই এগী মায়কৈদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ঙসি লৈবাক অসিগী ওইনা তমিল নাদু অমদি মিজোরামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম ১৩দা থিবা হুন্সগী থবক চত্থখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মরাথি লোন ঙাঙনবা প্রপোজ তৌখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রদা ওটো রিক্সো নৎত্রগা টেক্সি থৌদুনা থবক তৌরিবা দ্রাইভরশিংবু তঙাইফদনা মরাথি লোন শুংশোয় শোয়দনা খঙগদবনি হায়বা লো অমা মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্লা প্রোপোজ তৌখ্রে।

মহারাষ্ট্রা মোটোর ভেহিকল রুল, ১৯৮৪গী মখাদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওটো রিক্সো নৎত্রগা টেক্সি থৌদুনা শেল তাল্লিবা দ্রাইভরশিংবু তঙাসফদনা মরাথি লোন খঙগদবনি হায়বা প্রোভিজন য়াওবা নোটিফিকেসন অমা মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নৌনা থোকখিবগী কোপি কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অসিনা হায়রি।

# ইকোনোমিক ব্লোকেদ চত্থরিঙৈ চৈরক্তা অসাম-অরুনাচল ঙমখৈ পরিংদা খৎন-চৈনবা থোকখ্রে, ব্লেঙ্ক ফয়ার তৌদুনা তানখায়খ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি): অসামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চত্থরিঙৈ চৈরক্তা অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অসামগী দিমাজি দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট অনিগী মীওই নাকপা-নাকপাক লেপ্নদুনা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকপদগী অরুনাচল পুলিসনা নোংমৈ রাউন ৩ কাপথোক্তুনা তানখায়খ্রে।


অসাম লৈঙাক্কী মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা তকম মিসিং পোরিন কেবাং (টি এম পি কে) অমদি লোকেল গ্রুপশিংগা খূৎশন্নদুনা সিলা পথরদা লৈবা লিকাবলি ইন্ট্রি পোইনদা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিল্লিঙৈ অরুনাচল প্রদেশ থংবা মায়কৈরোমদগী মীওই খরনা ইকোনোমিক ব্লোকেদগী খোঙজং চংশিল্লিবা খোঙজং লোইশিংগী মথক্তা নুঙ থাজিন্দুনা এটেক চত্থরকখি।

নুঙ থাজিন্দুনা এটেক চত্থরকপা অদুদা অসামগী মীওই খরা পান্দুনা অশোক অপন নংখি। তুংদা নাকল অনিগী মরক্তা য়াম্না চাওনা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখি। নাকল অনিগী মরক্তা খৎন চৈনবগী থৌদোক অদু লাকশিন্দুনা মখা তানা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্তনবা অরুনাচল প্রদেশ পুলিসশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৩ ব্লেঙ্ক ফয়ার তৌদুনা তানখায়নবা হোৎনবগী মমি উবা ফংখি হায়না ফোঙদোরক্লি।



পনবা য়াবদি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌদুনা অরুনাচল প্রদেশ অমদি অসামগী ঙমখৈ পরিংদা লমগী ৱাহৌদা হিংশাগী থৌদোক থোকপদগী সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল কয়া মফম অসিদা দিপ্লোয় তৌদুনা লাক্লি।

## Crossword # 1116



Across
1. TV Host ___ O'Brien
6. Deer
10. Shadowbox
14. Love to pieces
15. Ditty
16. Tobacco holder
17. Prophets
18. Left the throne
20. Plus
21. Cowboy's tool
22. Hullabaloo
23. Burn reliever
25. Holds
27. Trapped
30. Woodwind instrument
35. Taps gently
36. Folklore monster
38. Comic ____ Martin
39. Suitable
40. Organize
42. Finish first
43. Bridle straps
45. Division word
46. Faction
47. Adventure
49. Nasal sounds
51. Part of mph
52. Poker counter
53. Deed
56. Mediterranean island
59. Perfume
63. Grouped
65. Concerned one
66. Vagrant
67. Royal title
68. Not active
69. Adam's abode
70. Minister to
71. Nuzzles
Puzzle Grid

Down
1. Spanish house
2. Poems of praise
3. Negatives
4. In ____ (late with payment)
5. Cuddle
6. Not fresh
7. Brass instrument
8. Connecting words
9. Female Japanese entertainer
10. Health resort
11. Flat bread
12. Imitated
13. Decorate again
19. Not fine
24. Bloodhound's clue
26. Command to Fido
27. Bowling term
28. Neck areas
29. Garret
30. Hoisting machine
31. Fasting period
32. More recent
33. Boot out
34. Camp shelters
37. Grating
40. Facet
41. Golly!
44. Short sleep
46. High voice
48. Nab
50. Certain vitamin
52. Surrendered
53. Tooth problem
54. Oaf
55. Toothpaste container
57. Cleveland's waterfront
58. Shore bird
60. Crude metals
61. Nothing more than
62. Fine ____
64. Male child

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# ককচিংগী খুমুকচম ৱারেন্তনা মিষ্টর খন্বা টাইটল লৌখ্রে






ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন অমসুং বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট অনীনা খূৎশম্ননা পেত্রিওস দেগা মরী লৈন্না ঙসি পাঙথোকখিবা ১২শুবা মিষ্টর খন্বা ২০২৬ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা ককচিংগী খুমুকচম ৱারেন্তনা মিষ্টর খন্বাগী টাইটল লৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬তগী লাকপা শান্নরোই ৪২না তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি ৫দা পাঙথোকখিবা কন্টেষ্ট অসিদা ককচিংগী খুমুকচম ৱারেন্তনা সেনিয়র বোদিবিল্ডংগী টাইটল লৌবা ঙমখি। কেটাগোরি অসিদা থৌবালগী খোইরোম বিক্রমজিৎনা অনীশুবা, ইম্ফল ৱেষ্টকী লাইফ্রাকপম বঙ্কিমচন্দ্রনা অহুমশুবা, ইম্ফাল ইষ্টকী ইষ্টিয়াক হুসেননা মরিশুবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মৈতানকৈশংবম বর্নোল্ডনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র বোদিবিল্ডিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী রোকিসন য়াংলেমনা অহানবা, ইম্ফাল ইষ্টকী মৈতানকৈশঙবম বর্নোল্ড মৈতৈনা অনীশুবা, বিষ্ণুপুরগী প্রিতম নহাকপমনা অহুমশুবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী লোংজম ইলিসননা মরিশুবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চান্দম বুলুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী বোদিবিল্ডিংদা থৌবালগী লৈশাংথেম শরিতানা টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মেন'স স্পোর্টস ফিজিক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোকচোম রোনেক্সনা অহানবা, থৌবালগী মোইরাংথেম অথৌবানা অনীশুবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী করাম থৌঙম্বানা অহুমশুবা, ককচিংগী নোংমাইথেম অরিয়াননা মরিশুবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাহেংবম কৈলাসনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর বোদিবিল্ডিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী থাংজম কিরননা অহানবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনাম সঞ্জয়না অনীশুবা, চান্দেলগী কোন্সম মঞ্জু মৈতৈনা অহুমশুবা, ককচিংগী নোংমাইথেম সুনিলনা মরিশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মৈকিনলুং পানমৈনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা হন্দক পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা নুপাগী কেজি ৬০গী ৱেঠলিফটিংদা সিলভর মেদল লৌখিবা চনম্বম রিশিকান্তনা চীফ গেষ্ট, আই বি বি এফকী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী অমদি অম্বাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এন রতননা প্রসিদেন্ট অমসুং তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথূম খুৎশিন্নখি।

# ব্রাজিলগী ফ্রেন্দলি মেটচতা মীৎয়েং থম্লগা ইন্দিয়া ফিফা অসিয়ন কপ্তগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ

মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩দা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা মীৎয়েং থমদুনা ইন্দিয়া অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অসিয়ান কপ্তগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট কলয়ান চৌবেনা ইন্দিয়া ফিফা অসিয়ান কপ্তগী ৱিদ্রো তৌখিবা অসিগা মরী লৈননা কনর্ফাম তৌখ্রে। মহাক্না হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিগীদমক ব্রাজিল ফুটবোল ফেদরেসনদা পীখিবা থাজবা অমসুং ফিফা ইন্টরনেসনেল ৱিন্দোগী শরুক ওইনা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২১দগী ওক্টোবর ৬ ফাওবা সেদ্যুল কুংবা মরম্না অসিয়ন কপ অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবনি হায়খি।

অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অসিয়ান কপ অসি চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২৪দগী হৌরগা ব্রাজিলগা ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ চহী অসিগী ওক্টোবর ৩দা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা অসিয়ান কপ অসিদা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া অমসুং সিঙ্গাপোরগা পূন্না তামিন্নরি।

প্রসিদেন্ট কলয়ান চৌবেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা সিঙ্গাপোর অমসুং মালেসিয়াগা চহী ৩ অসিগী মনুংদা মেটচ ৪ শান্নখিবা অমদি তুংদসু শান্নগদবা লৈরি। অদুবু ব্রাজিলগা শান্নগদৌরিবা তাংনা ফংবা মেটচ অসিগী খুদোংচাবা অদু নাম্থোকহন্দনবা মীৎয়েং থমখিবনি।

ব্রাজিলগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা মীৎয়েং থমদুনা লৈখ্রবা মরম্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ইন্টরনেসনেল ৱিন্দোগী লেমহৌরিবা শরুক অসিদা ইন্দিয়াদগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা টিমশিংগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্ননবা হোৎনরি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফ্রেন্দলি মেটচ অসি কনাগা শান্নগনি হায়বদু ফোঙদোকপা লৈত্রি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ইন্দিয়ানা অসিয়ন কপ অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবা অসিগা মরী লৈননা ফিফাদা খঙহনখ্রে। ফিফা অসিয়ান কপকী রেগুলেসনগী আর্টিকল ৫.২গী মখাদা করিগুম্বা টিম অমনা মখোয়গী অহানবা মেটচকী মাঙওইন্না য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৩০নিগী মমাঙদা ৱিদ্রো তৌরগদি ফাইন ওইনা সিঐচএফ ১৫,০০০ থিগদবনি।

ইন্দিয়ানা ফিফা অসিয়ান কপ অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবা অসিগা মরী লৈন্না ফিফাগী সেক্রেটরী জেনরেল মাটিয়াস গ্রাফষ্ট্রোমদা খঙহনখিবা লৈরবনা ফাইন অসি থিদবা য়ানা লৈরি।

# সাইক্লিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ

সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মেক্সৱেল ত্রেভোর সাইক্লিং ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন তেলঙ্গানানা হোষ্ট ওইদুনা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা কেদেট নেসনেল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা শরুক য়ানবা সাইক্লিষ্ট খন্নবগীদমক মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসননা সেলেক্সন ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর ষ্টেট টিম শেম্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি ইন্দিভিজুয়েল টাইম ত্রাইয়েল অমসুং রোদ মাস ষ্টার্ট ইভেন্ট অনীদা থা অসিগী ২৩গী অয়ূক পুং ৬তগী হৌদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই নিংথৌবুংদগী খুরাই চাইরেনথোং ফাওবগী রিং রোদতা পাঙথোক্কনি।

নুপামচা অমসুং নুপীমচা চহী ৮দগী ৯ অমসুং ১০দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থৱায় য়াওবা সাইক্লিষ্টশিংনা ইন্ত্রি ফোর্ম মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী ওফিসতা থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ২গী মমাঙদা পীশিনগদবনি। অকুপ্পা মরোল মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী টেক্নিকেল কম্মীটিগী মেম্বর হেমাম লেনিন্দ্রো (৮৭৯৪৯৯৪৫২৯)দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# ২৮শুবা ষ্টেট লেভেল যোগ ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ দ যোগ ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ, মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ২৮শুবা ষ্টেট লেভেল যোগ ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ মতম খরা লৈবাক্কী ইরাংনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লুরবা মতুং চহী অসিগী ওক্তোবর ১৬তগী ১৮ ফাওবা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রমাতিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) কী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কনভেনর এ দেবানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবা ইন্ত্রি ফোর্ম লৌখিবশিংনা ওক্তোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লকপা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# কংলৈ স্পোর্টস একাদমিগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ নেপালগী কথ মন্দুদা লৈবা দসরথ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সাউথ এসিয়ন ওপন ইন্টরনেসনেল করাতে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা অমদি মেদল লৌরকখ্রবা কংলৈ স্পোর্টস একাদমিগী শান্নরোই ৫ অমদি টিম মেনেজর ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা মীয়াম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা একাদমি অসিগী শান্নরোই কোরৌঙানবা খাইদেম অমসুং চিঙাখম দম্বরাজনা গোল্ড মেদল অমমম, সনশম য়াইফবা, য়াইফবা থোকচোম অমসুং লাইশ্রম মণিঙানবনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিমগী মেনেজর ওইনা শরুক য়াখিবা সঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোইশিং অসিনা ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেদল হেক লৌরকপা মতমদা মমা-মপা ওইবশিংনা নুংঙাইবা ফাওরগসু অৱাবা খরা মখৈদি লৈতবা নত্তে। নেসনেল লেভেলদা শান্নবা চৎপা মতমদা ফ্লাইটতা চৎকদবা মরম্না মমা-মপা ওইবশিংদা শেলগী অচৌবা পোৎলুম অমা পীরি। মরম অসিনা শান্নরোইশিংগীদমক খনবিদুনা মণিপুর লৈঙাক্না ফ্লাইট তোংবগী মমল অসি কন্সেসন খরা মখৈ পীনবগী পোলিসি অমা পুথোকপিয়ু হায়না অপিল তৌখি।


# কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মথং থাগী ১০দগী ১৩ ফাওবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাইময়াই লৈকাইদা লৈবা ইজুকেটৈদ য়ুথ মল্টি পর্পস দিলভপমেন্ট এসোসিয়েসন (ই ৱাই এম দি এ) প্লে গ্রাউন্দদা ৭৩শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী টিঐচ মোতিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপাগী ওইনা কেজি ৮৫ মখা অমসুং নুপীগী ওইনা কেজি ৭৫ মখাদা লৈবশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ওন লাইন সবমিসনগী অরোয়বা মতম মথং থাগী ৫দা ওইরগা ফিক্সচরনা মথং থাগী ৬তা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসনগী ওফিসতা দ্রো তৌগনি।

শান্নরোইশিংগী ৱেঠনা মথং থাগী ৯দা ওনগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইন্ত্রি ফিনা টিম অমদা লুপা ৫০০/৫০০ ওইবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টেল অমসুং কোর্পরেট টিমশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ২/২ ওইগনি। টিম মেনেজর অমসুং কোচকী মীফমনা মথং থাগী ৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদা ই ৱাই এম দি এদা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী টিঐচ মোতিলাল (৯৬১২৮৩৪৯১৮)নত্রগা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী দব্লিউ দেবেন (৯৬১২৮৪৯৩৯২)দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com